থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মঙফাওনররোইদবা শান্নবুংগী মঙ

পুম্নমক্না উবীরমগনি- ঙসি মরী-মঙানিসি, অঙম-অথৌশিংদগী চিংনা ময়ামসি কোরোনাগী ৱাখল কাউথোক্লদুনা, মিরাবাই চনুনা 'ওলিম্পিক গেমস, তোকিও'দা সিলভর মেদল ফংলকপগী হরাও-নুংঙাইবা-ফোঙদোকপরোমদা পূক্নিং ওনশিল্লি। ইশাগী অমদি ময়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক 'এস ও পি ঙাক্লা চৎকদবনি' কাউথোক্লখি। পাউদমজরিবা ইশামকসুনি, মীয়াম মরক্তুদা য়াওরুদ্র'সু, ঙাইহাক্তুদা খনখিদে- ওনরেবল সী এম মশামক্না লমজিংলগা, কোভিদতগী মীয়াম্বু ঙাকথোকচনবা লাউথোকখিবা 'টোটেল কর্ফিয়ু' থুগায়রিবনি। মিরাবাইনা ইম্ফালদা থুংলখিবা অমদি মহাকপু মীয়াম্না (য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা) ওকপগী থৌরমদু লোইদ্রিফাওবদি কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবসু লৈতে। কয়াদা কনখ্রবা শান্নবগী মতিক ময়াই!

খঙদে, অদোম্নদি নেগেটিভ ওইবা মীৎয়েংনি হায়বীরক্কদ্রা! ঐগী ওইবা ইরন্নাই মীৎয়েংদদি থোক্লিবা-উরিবা পুম্নমকসি শান্নবা (স্পোর্টস) কী অকনবা মতিক-ময়াই ওইনা উবা ঙমদে। নোংজু-থাদা 'ঈকা-ঙা' কারকপগুম কারকপা ঙা চবুন ওইনা উই। মিরাবাইগী মরন্নাই হোৎনজমল'না মঙফাওনরকপা, 'ওলিম্পিক সিলভর মেদল'সি, করিগুম্বা লাইবক থীবা মীকুপ অমদগী ফংলমদবা থোক্লবা, ঈথক অসি হৌরল্লোই। মমাঙগী রিও ওলিম্পিক'তা আশা চাউনা চৎখিবা, নীংবা কায়না হল্লকখিবা, ফিজিকেল অমদি মেন্টেল ইঞ্জ্যুরিদগী রিকোভর তৌনবা হোৎনরকখিবা, অখাঙ কনবী লৈপাক্লেগুম অকনবা লৈতঙ্গায় থুগায়দুনা লীৎখৎলক্লবা হোৎনরকখিবা, খুদোংথীবা তানফম অদুদা- শান্নবগী 'ষ্টোর-হাউজ' ওইরিবা লমদমসিদগী কনাসু 'ঐহাক লৈরি' চোংথোরকখিদে। মতমদুদা মহাক্কী ঙাক্লৌ ওইখিবদি 'ইন্দিয়ন রেলৱে'খক্তনি। মহাক্না রেলৱে-ইমপ্লোয়ী ওইরমদ্রবা, পুলিস কন্সটেবল ওইরম্লবা, ওলিম্পিক'কী কৈরাক কারক্তুনা পজেঙ ফিরাল পাইরিবসি ঙম্লমগনি থাজদে। লম্বীদা তাবা থৌদু নুংগুম কনা-খঙদা অরেম্বদা মাঙলম্বসু কনানা খঙবা! মরম-খুঙ্গং নোংপোক-ককচিংদুদগী ইম্ফালগী 'খুমন-লম্পাক-ট্রেনিং-সেন্টর'সিফাও লাকখিবগী, অতোঙমল লৌদনা ত্রক-দ্রাইভরশিংনা থিনবীরকখিবগী ৱারীদুনা লীরিবা, তেল্লবা পুন্সি তাঙ্কক'তুখক্কী ৱারী নত্তে। মণিপুরগী খুঙ্গং-খুনয়াদা অপোম্বা-লৈ ওইনা হৌরিবা, মালেমগী শান্নবুংদা লৈশাৎ তম্বা ঙমদনা খাংঙুথক্তা লৈমন চন্দুনা মাঙখ্রবা, মশীং খঙদ্রবা শান্নরোয়শিংদুগী ৱারীনি। পোমশাৎনবা ঙমদনা লৈখোক্তগী কেন', থৌদু নুংগুম লৈমায়দা চাইদুনা তারিবা শান্নরোয় কয়াদুগী ৱারীনি, মিরাবাইনা 'ৱাহৈগী ৱাংমদা' লীরিবা ৱারী। অদুবু, অৱাবদি-ৱারীদু খঙবীনবা কনা থোরক্তবা অসিনি। ঙসিসু লৈরি থাপ্লবা চীংনুংদা, চীংয়া-তময়া, খুঙ্গং-খুনয়াদা মমা-পুক্লুং'গী পীথোরকপা গুন'না লৈতেংলবা, তোঙান তোঙানবা মশান্নদা মালেমদা মীথোয়-মীহেনগদবা 'স্পোর্টস-টেলেন্ট' কয়া। লাইবক থীবদি, মখোয়দুবু থিদোক-খন্দোকপীনবা লৈঙাকসিগী 'টেলেন্ট-হন্ত-স্কিম' লৈতবা অসিনি। 'ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসী অফবা অমা লৈ'- মিরাবাই ওকপই থৌরমদা সী এম'না লাউথোকপীখিবদুগী মমি, কৈদৌঙৈ কদায়দা তাখিবগে? খূরবা ইমীৎসিনদি অমুক্তসু উখিদে। শান্ন-খোৎনবগী অখন্নবা দিপার্টমেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট খূদিং লৈরিবসিগী মখাদা করম্বা ওলিম্পিক দিসিপ্লিন (মশান্ন)গী ট্রেনিং সেন্টর লৈবগে? কদায়দা করি শেমগৎনবা থৌরাং লৈবগে? মমাঙগী বজেট'তু ফাওবদি মমি তাবা থেংনখিদে। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ওফিসরশিংদা করি থৌদাং শীন্নবগে? চহী চুপ্পা, হৈ-শিংলবা কোচ'শিং করি তৌদুনা লৈহনবগে? অশোয়বা থিবই ৱা নত্তে। নহানমখৈ খল্লুদ্র'সু, ওলিম্পিক সিলভর মেদালিষ্ট থোরক্লব'কানসিদদি ৱাখল খন্থফম থোক্লবরা? হঙ্গৎচনীংলকপনি। য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েংখাদা, খুমন-লম্পাক-ইন্দোর-ষ্টেদিয়মদা হাংলিবা 'রিগ্যুলর কোচিং সেন্টর'- করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে? করিগী মায় পাক্ত্রিবনো? কনানা কৈদৌঙৈ হংবীখ্রবগে? অখন্নবা বজেট অমা কাইথোক্তনা চলাইবা 'কোচিং সেন্টর' মায় পাকপা হৌনদে হায়বদি, লম্বীদা মীমাঙ থোক্লবা, ৱাখল-মীমান্নদ্রবা মাসু খঙলমগনি।

অসিগুম্বা ষ্টেট অসিদা, গ্রাস-রুত-লেবেল'দা শান্নরোয়শিংগী টেলেন্ট-হন্ট তৌদুনা, লমহাঙদা হৌবা অপোম্বা লৈ মরক্তগী অফবা লৈশক খন্দোক্তুনা লৈকোন্দা লৈশাৎ তমহনবগুম, প্রোপর-ট্রেনিং পীদুনা মালেমগী শান্নবুঙদা শান্নরোয় পুথোকপগী থৌদাং লৌরিবদি, লৈঙাকসিনা শীংথাবীদবা, লৈরি হায়বফাও খঙবীদবা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী 'ষ্টেট এসোসিএসন' ময়ামসিনি। ওলিম্পিয়ন মেদালিষ্ট অমা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকপদা, অদুগুম্বা এসোসিএসনশিংগী প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিশিং অদুবু চেবাউ অমমমতং পীদুনা য়াওহনবফাও, মথৌ তাদে খনখিবনি। থৌরৈতবা মীরেম ঙাক্তনি খনখিবরা? ওলিম্পিয়ন মঙা অদুগীদমক, ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর'না 'চিয়র-অপ' তৌবই থৌরম অমা মাগী বংলোদা পাঙথোকখিবদুদা ৱেথ-লিফ্টিং, বোক্সিং অমদি জুদোগী মীহুৎ য়াওহনখিদবগী মরমসু ঙসি ফাওবা লাম্বা ফংদে। থাগৎ ৱাহৈ পাম্বা নত্তে, মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌওং, থৌরেম-ৱারেম তৌবা মী ওইহনবগী এত্তিচ্যুদ অদু নিন্দা তৌনীংলুবনি। থেঙ্কলেস জোব'নি হায়বা খঙনা তৌরক্লবনি চহী কয়া, তৌখিগনি তুংদসু। মপী-মপা ওইরগা, তৌফম থোক্তবা অমা তৌরকখিবদু তৌহনজনীংদবগী ফোঙদোক্লিবনি কাখলসিদা।


ষ্টেট-এসোসিএসন'না টেলেন্ট মশক খঙদোক্ল'সু, ট্রেনিং-কেম্প পাঙথোক্ল'সু, ওইফম থোকপা অপাম্বা-রিজল্ট ফংদবগী মরুওইবা মরমদি- থাপ্লবা মফমশিংদুদগী কেম্প মফমদুফাও লাকপগী অমসুং হনখিবগী বস/ওটো/রিক্সো ভারা, প্লেয়র মশানা পুথোকচবা ঙমদবা... নোংমগী চরা/ব্রেকফাষ্টকী শেনফম পুথোকপীনবা লৈতবা, অসিনচিংবনা মরুনি। নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকুম্বা মতমগী কোচিং কেম্প অদুদদি ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা খায়নরগা অচঙবা শেনফম পুথোক্লে। নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ য়াওরুবগী শেনফমদুগী শরুক খরদি, বিল সবমিট তৌরগা কোন্না হন্দোকপীবগী থৌরাং অমদি লৈ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসিগী। অদুগা, নেসনেল/এসিয়ন/ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট/চেম্পিয়ন্সিপনচিংবদা ফংলকপা পোজিসন/মেরিত অদুগী মতুংইন্না ভেল্যু লেপ্পগা শান্নরোয়শিংগী নুমীৎ (ফেব্রুৱারী ২৫)দা শেলগী মনা লাম্থোকপ'সিমগা, পনফদবা অমনি লৈঙাকসিগী পোলিসী মেত্তর'দা। ফুটবোল ক্লব খরদা পীরিবা মতেং, ওলিম্পিয়ন অহুম পুথোকখ্রবা জুদো এসোসিএসন অমদি ওলিম্পিয়ন কয়া পুথোকখ্রবা অতৈ এসোসিএসন খরগীদি মঙদা ফাওবা মঙলরোইদবা শেনফমনি।


ৱাফম অসি নৈনরকপদা, ঐখোয়'য়ুম্লোন্নবা 'মিজোরাম'দগী তমজনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমত্তং নীংশিংজনীংই। শান্নবুং অমদি শান্নরোয়শিং, সরকারগী এজেন্সী অনীনা য়েংশিল্লি- মিজোরাম ষ্টেট স্পোর্টস কাউন্সীল অমসুং য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট মিজোরাম। ওলিম্পিক স্পোর্টস অমদি নন-ওলিম্পিক স্পোর্টস- দিসিপ্লিন মখল খূদিংমক্কী স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনশিংদা পীগদবা শেলগী মতেং, হান্ননা লেপথোক্লগা এন্ন্যুঅল বজেট'তা হাপ্লগা কায়থোক্লগা থমগনি... চহীদুগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা প্রোগ্রামশিংগী ক্যালেন্দর, য়াওগদবা/ওর্গনাইজ তৌগদবা চেম্পিয়ন্সিপ/টুর্নামেন্টশিং... চঙগদবা শেনফমশিং এসোসিএসন'না থাগৎলকপদু কাউন্সীল'না স্ক্রুতিনি তৌগনি, মিনিষ্ট্রিদা লানখৎকনি। ষ্টেট-এসোসিএসনগী থৌপুবশিংদা লুপা অমগীদমক কোক চীকহল্লোই।

থৌরাং অসি মণিপুরদবু পায়খৎপীরবা, ওফিসরনা পুকচেল শেংলবা, পোলিটিসিয়ন'না স্পোর্টস'তা খুৎ থিংজিনবীদ্রবা... মণিপুরদগী ওলিম্পিক অমদি এসিয়ন গেমস খূদিংমক্তা মেদল-ৱিন্নর থোক্লক্কনি হায়বসি অদোম থাজবীদবরা?

মমি ৱারী | তুশর নোংথোম্বম







উখ্রুলগী চীংমায়শিংদা অশেংবা নুংশিৎ শিৎলি। নোংজুখাদা অশংবা লৌবুক্লা পুক্লিংদা অরুবা অনৌবা ৱাখলগী ময়োন চোংহল্লি। মথৌশাগী খোঙচৎনা মীওইবদা অমোৎপা অমত্তা পীদে। মীওইবদি মতমসিদদি মহিক ওইরে।

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদনা খোঙশা-খুৎশা নাহনবা

## ওইরকপগী মরমশিং, লাইওংশিং অমদি অতৈ অতৈ

কুমজা ২০১৯দা ইহান হানবা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা মীওইবদা নাবা থেংনরকখিবা নোভেল কোরোনাভাইরস হায়নসু খঙনরিবা সার্স-কোভ-২ (সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম কোরোনাভাইরস-২) ভাইরস অসিনা ঐখোয় মীওইবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী চৈথেং কয়া পীরক্লিবা অসি চহী অনী ফাজিল্লক্লে। চহী অমা হেনবগী মমাঙদগী মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা ভাইরস অসিনা অনৌবা শক্লোনশিং মীওইবদা হৌজিকসু লেপ্তুনা উৎলি। হৌজিকসু হান্না উরমদবা, তারমদবা ভাইরস অসিগী অনৌবা চৈথেং কয়া লেপ্পা লৈতনা নোংমা নোংমগী থোক্লকপগুম তৌরি।



সার্স-কোভ-২ ভাইরসনা রেস্পিরেটরি হেল্থ অমদি অতোপ্পা মরুওইবা ওর্গানশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবদা নত্তনা মীওইবগী খোঙশা অমসুং খুৎশাদসু শোকহল্লক্লে হায়রি। হায়রিবা ফিভম অসি য়াম্না কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবগী মওং লৈত্রগসু মসিনা নুংঙাইতবা অমদি চৈনাখোল পোকহনবা য়াই। হৌজিক্কী ওইনা 'কোভিদ টোজ' হায়না খঙনরিবা কন্দিসন অসি য়াম্না তাঙনা থোকপা ওইরগসু মসি অনম্বনা চহী য়ামদ্রিবা পেসেন্টশিংদনা হেন্না নাগল্লি। হন্দক্তা চহী ১৩গী নুপীমচা অমদা লায়না অসিনা নাবগী রিপোর্ট তৌরকখ্রে, অনাবা অসিনা মরম ওইরগা মহাকপু চৎপা ঙমহন্দবদা নত্তনা খোঙউপ্পচিংবা তোংবদসু খুদোংচাদবা থোকহল্লি হায়রি।

হান্নগা মান্নদবা মখলগী কোভিদনা থোকহনবা ইফেক্ট অসিগী মরমদা খঙবা য়াবশিং মখাদা পীরি।

কোলেজ ওফ পোদিয়াট্রিগী মতুংইন্না, কোভিদ টোজ হায়বসি কোভিদ-১৯ কোন্ত্রেক্ট তৌরবা মতুংদা মীওই খরগী খোঙশাশিংদা উবা ফংবা য়াম্না নাবা অমদি হাক্কচরগা পোম্বা মানবা অনাবা/অশোকপা মফমশিংদা পীবা মমিংনি। রিসার্চকী মতুংইন্না হায়রিবা অনাবা অসিনা খুৎশা অমদি খোঙশা অনীমক্তা শোকহনবা য়াই। অদুম ওইনমক মসি খোঙশাদনা খরা হেন্না তৌগল্লি। মসিনা অনাবা/অশোকপা মফমশিং অসি ওইবতা নত্তনা খুৎশাশিং অমসুং খোঙশাশিংদা ঙাঙশিল্লক্তুনা মচু ওলহল্লকপা য়াই, মদুগী মতুংদা পর্পল মচু ওল্লকই। অনাবা অসিগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম হায়রগদি খোঙশা অমত্তংদা নারম্বদগী অতোপ্পা খোঙশা পুম্নমক্তা শন্দোরক্তুনা শোকহনবা ঙম্বা অসিনি।

হৌজিকফাওবগী ওইনদি কোভিদ টোজ থোকহল্লিবা অসিগী অকক্লবা মতম খঙবা ঙমদ্রি, অদুমওইনমক মসিগী মরমদা রিসার্চতি চথরি।

এক্সপার্টশিংনা কোভিদ টোজ অসি ঐখোয়গী হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমনা এক্টিভ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন অমদা রিএক্সন তৌবদগী ওইরকপা থৌওং অমনি হায়না থাজনরি। হায়বদি মসি চহী নৌরিবা পেসেন্টশিংগী ইম্যুন সিষ্টেমনা ট্রিগর তৌবা এন্টিভাইরেল ইম্যুন রেস্পোন্স অমা ওইরম্বা য়াই, হায়রিবা ইম্যুন রেস্পোন্স অদুনা মাইক্রোএঞ্জিওপেথিক (অপীকপা ঈ উতোংগী লায়না)দা ওল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়বা অসিনি।

অতোপ্পা থিওরি অমদা সজেষ্ট তৌরিবনা কোভিদ টোজ অসি সার্স-কোভ-২ ভাইরসকী হকথেংনবা রিজল্ট অমা ওইরম্বা য়াই হায়বা অসিনি। য়ুমশিংদা খোঙদা করিমত্তা তোংদনা চৎপা, হকচাং লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপা অমদি সিদেন্টরি লাইফষ্টাইল (ফমজিল্লগা/হীপচিল্লগা মচি লেঙদনা লৈবা) হায়বনচিংবশিং অসিসু কোভিদ টোজ হায়রিবা লায়না অসি থোকহন্নবগী মরমশিংনি হায়রি।

মীওই কয়াগী ওইনদি কোভিদ টোজ হায়রিবা অনাবা অসিনা খোঙ নৎত্রগা খুৎতা মচু ওনশিল্লকপা অমসুং পোমখৎলকপখক্তমক তৌহল্লি। অদুম ওইনমক, মসি চৈনাখোল ফাওদবসু য়াই অমদি মীওই কয়ানা মশাদা অনাবা অসি লৈরে হায়বগী করিগুম্বা অমত্তা ফাওদবসু য়াই।

অতোপ্পা কেসশিংদদি খোঙশা অমসুং খুৎশাশিংদা পোমখৎপা অমসুং মচু ওল্লকপা অদুগী মথক্তা কোভিদ টোজ অসিনা ঈশিং মচা মচা হানবা, য়াম্না হাক্কচবা ফুরিশিং, য়াম্না নাবা মখলগী অপোম্বশিং অমসুং উনশাদা জবৌ জবৌ লাউবনচিংবা তৌহল্লকপা য়াই। ফিভম শোকচিনবা কেসশিংদনা উনশা মনুংদা য়ামদবা চাংদা নাই চারকপসু য়াই।

ট্রিটমেন্টকী মতাংদা হায়রগদি, কোভিদ টোজ অসি অনম্বনা মশা মথন্তা ফজখি। অদুম ওইনমক অনাবা অসি মতম শাংনা অদুম্মক লৈদুনা ফগৎলকপা ঙমদ্রগদি দর্মাটোলোজিষ্ট (উনশাগী দোক্টর) অমা তানগদবনি। দর্মাটোলোজিষ্টনা অনাবা অদুগী চানবা হীদাক-লাংথকশিং নৎত্রগা অনাবা মফম অদুদা তৈনবা মোলোমনচিংবা প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা য়াই।

কোভিদ-১৯না মীওইবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী চৈথেংশিং পীরে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমা ওইরে। মরম অদুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা 'প্রিভেন্সন ইজ বেট্টর দেন ক্যুর' হায়বা লাইৱা অসিবু নীংশিংমিন্নদুনা মীপুম খুদিংমক্না কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন-থৌরাংশিং হায়বদি মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, খুৎ তোয়না হাম্বা অমদি য়ারিমখৈ য়ূমদগী মপান থোক্তবা হায়বশিং অসি ঙাক্লা চৎপগা লোয়ননা ইলিজিবল ওইরবা মীপুম খুদিংমক্না য়ারিমখৈ ঙন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকহৌবা হায়বসিনা হৌজিক্কী মতম অসিগী খ্বাইদগী তঙাই ফদবা হায়বদু ওইরে।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেলগী ফীভম এক্সিদেন্ট অমগুম্না তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা হায়বদু ওইরক্লি



মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অসি এক্সিদেন্ট অমগুম্না তম্বা ঙমদবা ফীভম হায়বদু ওইরক্লি। মতমগী মতুংইন্না মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা ভোট কাননবা হোৎনবদা মখোয়-মখোয়গী ৱার্করশিংনা লৌখিবা থৌদাং হায়ববু হৌজিক্তি ইমুং-মনুং,শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা ফাওবা থাঙ পায়নবসু য়াওদবা নত্তে। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা কারক্লবা মতুংদা, নিংথৌগী খুভম পীবগুম লেংলরোই হায়না খনবশিংসু য়াওনরিবনি। অদুবু লৈবাক মীয়ামগী মীহুৎনি। তেল্লবা মতম খরগী ফম্বাকনি হায়বসি করি-করিগুম্বদা হেক হেক কাউথোক্লবগুম তৌই। অঙাংগী নিংঙাই অমগুম ঙাইহাক্কী নীংবা থুংনবা হায়দুনা থেম্বা য়ানবা ঙাইহাক্কী তাৎ-পাৎ তৌবা অমদি হঙোই অমগুম ফন-ফন চোংবদা তাফমনা কোন্না খঙবা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিবু মীয়ামগী মীহুৎ অমদি মপী-মপা ওইবদা মতিক চারিব্রা হায়না হঙ্গৎনা অমুক্তং ৱাহং অমা হংনিংই। অচাওরম কারিঙৈ, মতমনদি ঙাইরমদা, আশাগী ঈপাক্তা তাওরিঙৈ থবক ওইনদি তৌরমদা, মতম মহাক্নদি অদুম লোইখিনি। অহল-লমননা হায়রম্বা মীনা শিবনা চীনদা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা হায়বসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি অমদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনসু অদুম্মক থেংনরি হায়বা য়াই। হৌজিক হৌজিকসু লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা চোংথোক-চোংশিন তৌনবগী অচৌবা মমিশিং তারি।

❒ রেকি মাইব্রম, মোইরাং বজার

### হা কৈবুই কৈওইবা ননিং-নমাং হোত্রোং হো, নতু-লৈমা কাংকোক, নখুম খূমজাও মৈনা ব্রং



কদায় চৎলুই? কৈরাওদা। কৈদৌবা? কৈ ফাবা। অওইব্রনে? ওইনা ফাই। থাজদেদা, থাদোকখ্রে। কৈগী মপাল নাপীনা তাঙ, নাপীগী মপাল কৈনা তাঙ। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা চথুরক্লিবা প্রলয়গী মৈরীসে মুখৎনবা ইরমদমগী লৈঙাক্কী থৌরাং থৌশিলগা লোয়ননা মীচম মীয়ামগা ৱানা খাংমিন্নরিঙৈ মরকসিদা। মায়কৈ অনীগী অৱাবসে করিদা প্রমান তৌরুগনি। হা উরোক নমাংসু লাং, নতুংসু তেন, হুমাং কাংই হায়বদুনি। তেন মরকসিদা রাজনিতিগী হঙোইগুম চোংথোক-চোংশিন। হঙোইগুম চরাংনরিঙৈ চক্রিক-নাক্রিক চৱাইবী, চানবা লৈতে তখেলথাং। থাঙ মরকসিদা মীয়াম্না হিংনবগী মচাক অমা তাল্লকপা। তাল্লকসিদা মালেম ইমানা পারী ইমোম ইমাদি খৌরি য়ৌরেদো। মৈরকসিদা চোংশিন্দুনা খাম্বী মৈকল্লু খাম্বী মৈত্রেং অৱাববু চরৈ ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদবগুম কেকু ফোঙনরসি। কনানা কনানো তাক্লরসিদো তাল্লকসিদা। থবক অমা মায় পাক্লবা হোৎনবদা ইচা-মীচা, য়োংলৈ মেলৈ নাইরবদি ঈপাম চাকসু চাদা, ঈৱা চাকসু চাহৌদা হুমাং কাংবা নত্তনা করিবুদি ফংলুনি। শীজিন্নদবা থাঙ কোহ্লিং কাই, কোহ্লিং কারবদি শীজিন্নবা য়াররোই। কাংখা থাং ওইরনি। চফু কায়রগা ক্বাকনা হরাওই। অউবনা পেন্না নোকখিবা তাবা। থবক খূদিং য়াথং ঙাইরবদি কোক লৈতে তাকপনি। লৈঙাক্লা অসুক য়াম্না কন্না হোৎনরিবসি চন্নফম খঙদ্রবী লৈরাং ইঙৌল্লেগুম অরেম্বদা মাঙলগদ্রা হায়না ইরমদমসিগী মীচম অমা ওইনা থৱায় ৱাদবা ঙমদেদো। মরম অদুনা মীপুম খূদিংনা চপ মান্নবা ৱাখল্লোন্দা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থীনবা হোৎনমিন্নসি কৈদৌবগে। বোমনা হৌরগা পোক্লাওবীনা লোইবগী থৌওংদো থাদোক্লসি লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয়না।

❒ আইশো মোইরাংথেম, থৌবাল অৱাং লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০ ০৭। ২০২১ ইং, ইরাই;
ইঙেনগী ২২নি পানবা ।



মেষ: ওইজবা ফংই, ইমুং-মনুং ৱাতান্ননা পাঙবা থবক মায় পাক্কনি অমদি থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি। অনম তানবনা অমদি অশাওবনা মাঙজবা লৈগনি, তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



বৃষ: শেল-থুমগী লমদা কান্নবা, থৌরম শিন-লাঙবা হৈবনা চাওখৎপা অমদি নখা থাবগী মতেং লৌবা য়াবা নুমীৎনি। অদুবু ফিংবনা মরুপ কায়নগনি, তহা তহাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



মিথুন: লাইবক ফবা, লৌশিংসু চাওবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংগদবা নুমীৎনি। অফবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি। খৎন-চৈনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।



কর্কট: লমদৈ কান্নবা ফংগনি, মীয়াম্না তেংবাঙবী অমদি থেংলপ্পা ওইজ-ওইথকসু শোয়দনা ফংলগনি। লৌশিং ৱাৎপনা লৈফম খঙদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।



সিংহ: অরুবা অনৌবা থবক পাঙদবনা ফগনি। খোয়রাংবা, নোল্লুক্লা চৎত্রদি কায়নবা অমদি মরুপ্পা ফাওবা তাথিবা নুমীৎনি। ঈংথবনা মফরে।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।



কন্যা: নুংথিল ফাওবা নীংবা থুংবা, লন ফংবগী নুংঙাইবা অমদি মীনসু থাগৎপীবা লৈগনি। অয়েৎপা অমত্তা চেল্লোই। নক্লবনদি লৌথোকনিংই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



তুলা: অয়েৎপা চেনবা অমদি কিজবা পোকপা খরা থেংনরসু নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমীৎনি। আশা চাওনা অনৌবা থৌরম পাঙবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



বৃশ্চিক: নুংথিলদা নীংবা থুংগনি। অনম কল্লদি শক-চু থোকলোই অমদি অঙম্বনা তাথিগনি। মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থৌপাঙবদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



ধনু: আশা চাওবা অমদি য়েৎনবা পাম্বদি মাঙবতা নংগনি। ৱাঙাং হৈবা অমদি থৌনা ফুদোকপদি কান্নবা ফংগনি। মীংচৎসু হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।



মকর: নুংথিল ফাওবা খুৎচাও থানা থৌ পাঙবা য়াগনি। অনৌবা লৌশিং তানশিনহৌ অমদি অচুম্বনা মায় পাক্কনি, ফংজগনি। ৱাদি ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।



কুম্ভ: নুংথিলদা লাইবক ফবা অমদি অফবা মফম ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। অঙনবদদি লৌশিং ৱাৎকনি অমদি মীয়াম লোয়নদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



মিন: মায় পাকপা ঙসিসু লৈ। নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবা থেংলপ্পা কান্নগনি। ৱানোম থৌনোমসু অঙনবদদি কান্নরোই, নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবগী নুংঙাইতবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।